**25 T—ADMA**

**2015**

# ADVANCE MANIPURI

*Full Marks* : 100
*Pass Marks* : 30

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

১। য়ান্না তেন্না খুন্মু : ১×১২=১২

(ক) ‘‘মসি লৈবতনা তাইবংপান অসি মীওইবনা লৈবদা মতিক চাবা ওইরি।’’ ‘মসি লৈবতনা’ হায়রিবসি করিবুনো?

(খ) অকোংজাম্বনা ফৌওইবীগী খোঙ্গুল লিরুবদা ফৌওইবী করম্বা মফমদা থেংনখিবগে?

(গ) মাধবীনা লম্বোইবী শাদুনা লৈরম্মী হায়রিবসি করম্বা চীংদনো?

(ঘ) ‘জোহর ব্রত’ করিনো?

(ঙ) ‘‘অমুকসু লান, অমুকসু মচা কায়নবা।’’ পল্লিবসি করম্বা লাননো?

(চ) ‘‘মফম অসি মী অয়াম্বনা চঙবদা খরা হঙ্গোইনৈ।’’ পল্লিবসি করম্বা মফমনো?

(ছ) ‘‘মাইথোং থম্বালগুন্না ফজরবী লৈশাবীদু মমিৎ অনীমক্ তাঙলবীনি।’’ লৈশাবীসি কনানো?

(জ) ‘ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ লালু’ কনানা ইবনো?

(ঝ) মাইচৌ হায়রগা করিবু খংনৈ?

(ঞ) পুয়া হায়রগা করিবু খংনৈ?

(ট) মঙাং লুৱাংগী মতমদা ইহান হান্না থোকখিবা পুয়াদুগী মমিং করি কৌবগে?

(ঠ) খুল্লং ঈশৈ হায়রগা করিবু খংনৈ?

২। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু : ৬×২=১২

(ক) মহৌশাগী মশক্ শীংথাবদা ৱার্ডসৱার্থনা ফাওখিবগুম, প্রেমগী শিংথাবদা কালিদাসনি হায়বসি তাক্কুনা ইয়ু।

(খ) মাধবীনা নুপীমচা ওইরবসু তাইবং সমাজবু থাদোকলবী লাইনিংবী ওইদুনা মীগী মতেং পাংখিবশিংদুগী মরমদা তাক্কুনা ইয়ু।

(গ) ভারত চনুগী আদর্শ করিনো? আদর্শ চেনখিবা নুপী অনিদংগী মরমদা ইয়ু।

৩। মরিখক্কী পাউখুম পীয়ু : ২×৪=৮

(ক) “পাল্লুরবোই নোংমদি অশৈবগী মথম্মোয়।” অশৈবসি কনানো? মাগী থম্মোয়দা পাল্লুরিবসি করিনো?

(খ) “নুংশিবা হায়বসি অতোপ্পা সংসার অমনি।” মসি কনানা খনখিবা ৱাখলনো? নুংশিববু করম্না অতোপ্পা সংসার অমনি হায়রিবনো?

(গ) সতী অমদা চেনগদবা গুণশিং করি করিনো?

(ঘ) জ্যোতিপ্রসাদ আগরৱালা খৃঃ কয়াদা পোকখি? মহাক্কী অতোপ্পা আসামীসশিংনা খঙনবা মমিংদু করিনো?

(ঙ) মিনুংশি হায়বসি করিনো? মসিদা চেনগদবা গুণ করি করিনো?

৪। ‘ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ লালু’ কৌবা ৱারীমচাদা অইবীনা য়েক্লীবা তম্পাক্কী পুন্সিগী অৱাবা শক্তমদু থাদুনা ইয়ু। ৬

*নত্রগা*

‘ইলিশা অমগী মহাউ’ ৱারীমচাদা অইবনা য়েক্লীবা বরাক তম্পাক্কী মণিপুরী খুন্নাইগী অৱাবশিংগী মহুৎ শিনবা ৱারীমচা অমনি হায়বদু তাক্কুনা ইয়ু।

৫। শম্না ৱাহৈ-পরেং *৪/৫* গী মনুংদা ইয়ু : ৪×৪=১৬

(ক) মিনুংশিবু করি মরমগীদমক্ ওল্লাংথাগী মাকমৈদা শাৎপা লৈরাং মালিকাদগীসু হেন্না থোৎলবা পুকচেলনি হায়রিবনো?

(খ) নিপা লৈবাক্কী থৱায়নি; লৈবাক্কী লন্নি; লৈবাক্কী নাপন্নি। নিপা লৈবাক্নি, লৈবাক নিপানি’ মসি হায়বগী মরমদু তাক্কুনা ইয়ু।

(গ) ধাত্রী পান্না কনানো? মহাক্না তৌরম্বা কৎথোকপগী গুণশিংদু ইয়ু।

(ঘ) করম্বা ৱাখলদগী মাধবী পুকচেল হোংখিবগে?

৬। মরিখক্কী পাউখুম পীয়ু : ২×৪=৮

(ক) সনাহলনা ইগদৌরিবা ৱারীম্চা অদুগী মরুওইবা চরিত্র অদু কনানো? মহাক্না ৱারীমচাদু ইবা ঙমখিব্রা?

(খ) "হল্লো ঐখোয়গী নিংথৌবু সাহেবকী মনাইরনে?" কনানা হংখিবা ৱাহংনো? পল্লিবসিনা করম্না লৈবাক্কী নিংথৌনো?

(গ) "হৌজিক্কালগী মৈখেৎসিনবু নাকন নাম্মতদা হিদাক তৈরদুনা পৈশা লৌগদবগী ফিকিরতা।" ৱাফমসি কনানা হায়খিবনো? কৈদৌবদগী হায়খিবনো?

(ঘ) ইংশোক ১৯১৪দগী ১৯১৮গী মনুংদা মালেমগী করম্না অচৌবা থৌদোক থোকখিবগে? থৌদোক্তুগা তম্পাক্কা মরী লৈনবরা?

(ঙ) "মীগীদি য়েংঙুদো লাকপগা হেক্তা ফাবনি।" হায়রিবসি কনাবুনো? করি মরমগী হায়রিবনো?

৭। শম্না ৱাহৈ-পরেং ৪/৫ গী মনুংদা ইয়ু : ৪×৩=১২

(ক) তম্পাক্কা মিসেস ব্লেকিগা শান্নখিবা ৱাদু করিনো তাক্কুনা ইয়ু।

(খ) "ইবা হায়বসি ইন্নিংঙি হায়দুনা হেক্তা ইবা ঙম্বা নত্তে।" হায়বসি তাক্কুনা ইয়ু।

(গ) "অঙাং অদু ৱা মখা তারকতে।" অঙাং অসি কনানো? মহাক্না ৱা মখা তারকখিদবদুগী মরমদু ইয়ু।

৮। অহুম খল্লগা শন্নপ্না খুন্মু : ৪×৩=১২

(ক) মোইরাং পর্ব্ব করিবু খংনৈ? খোংজোম পর্ব্বগা মোইরাং পর্ব্বগা অনীগী খেৎনবা তাক্কুনা ইয়ু।

(খ) করম্না মতম অমসুং করম্না ফিভমদগী মণিপুরী সাহিত্যদা বাংলা অমদি সংস্কৃত লোন চংলকপা হৌখি তাকউ।

(গ) করম্না মতমবু করিগীদমক 'মণিপুরী সাহিত্যগী পৌরাণিক যুগকী সায়ংকাল' হায়রিবনো?

(ঘ) 'সাহিত্য' হায়রগা করিবু খঙই? পদ্মশ্রী কালাচাঁদ শাস্ত্রীগী মতুংইন্না ইয়ু।

৯। মরিখক্কী পাউখুম পীয়ু : ২×৪=৮

(ক) 'লোংথ্রে ঈরুপ্পবা' হায়রগা করম্বা থৌদোকপু খঙনবগে ?

(খ) মধ্যকালগী অহানবা পুয়া করিনো ?

(গ) কালাচাঁদ শাস্ত্রীনা করম্বা মতমদগী করম্বা মতম ফাউববু মধ্যকাল যুগনি হায়না লৌবগে ?

(ঘ) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ করম্বা চহীদা লিংখৎখিবগে ? সংস্থান অসি লিংখৎখিবগী মরুওইবা পান্দম করিনো ?

(ঙ) শান্তিদাস কনানো ?

১০। মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসপু কালাচাঁদ শাস্ত্রীনা তাংকক্ কয়া থোক্লা খায়দোকপগে ? মহাক্না খায়দোকইবা মতমসি মরম চাই-চাদে হায়বদু তাকউ। ৬

*নত্রগা*

মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিগী সনা হাক্তক্কী তুংদা ওইরকপা মণিপুরী সাহিত্যগী শক্তম (বর্তমান কাল) তাক্কুনা ইয়ু।

★★★